

# মনালৈবাক স্পোর্টস





ইরানগী মায়োক্তা ফিট কপ্তা মেটচ শান্নবা ঙমখিদবা অনকিটা রাহনেনা পাকিষ্টানগী সারা মোনসুরবু মায়থীবা পীখ্রে

ফোনেক্স ওপনদা মায় পাক্লবা কেভিন ষ্টান্দরনা চেম্পিয়নগী ট্রোফি লৌখিবা

## ন্যুজিলেন্দনা ৱিকেট ৪ তুবদা রন ৩২৯ লৌখ্রে



*ওকলেন্দ, ফেব্রুৱারী ০৬ঃ*

ইন্দিয়া অমদি ন্যুজিলেন্দ লৈবাক অনীগী ওইনা চহী অসিগী অহানবা ওইনা শান্নখিবা অহানবা টেষ্ট মেটচতা ন্যুজিলেন্দনা ৱিকেট ৪ তুবদা রন ৩২৯ লৌখ্রে।

ওকলেন্দদা লৈবাক অনীগী অহানবা ওইনা শান্নখিবা অহানবা টেষ্ট মেটচকি অহৌবা নুমিত্তা ন্যুজিলেন্দনা ৱিকেট ৪ তুবদা রন ৩২৯ লৌবা ঙমখ্রে। হয়েং মখা তানা অহানবা ইনিংস অসিগী ওইনা ন্যুজিলেন্দদা বেটিং তৌদুনা শান্নগনি।

ইনিংস অসিগী অহানবা শরুক্তা ন্যুজিলেন্দকি স্কিপর ওইরিবা মেক কুলমনা রন ১৪৩ অদুগা মহাক্না পার্থনর ওইরিবা কোরি এন্দরসননা রন ৪২ লৌদুনা লৈরি। ইন্দিয়ানা ইনিংস অসিদা শুপ্নগী ৱিকেট ৪ দগী হেন্না লৌবা ঙমদ্রি। অদুবু হোষ্ট টিম ওইরিবা ন্যুজিলেন্দনা অহানবা ইনিংসতা ৱান দে ইন্টর্নেসনেলগী মওংদা বেটসমেন অনীনা সেঞ্চুরি লৌখিবা অসি অঙকপনি।

ন্যুজিলেন্দগী মেক কুমলনা অহুমশুবা ৱিকেট তুখিবদা থোরক্তুনা বেটিং তৌরগসু মহাক্না হৌজিক ফাওবদা রন ১৪৩ লৌখিবা অসিনা মরম ওইরগা হয়েং মখা চথ্নগদৌরিবা মেটচ অসিদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মহাকপু আউট ওইহনবা ঙমদ্রগদি ইনিংস অসিদা রন হেন্না লৌরকপা য়াবা শান্নরোই অমা ওইরি।

ন্যুজিলেন্দগী মেক কুলমনা মহাক্কী ওইনা ইন্দিয়াগা শান্নবা মেটচতা ঙসি সেঞ্চুরি লৌখিবা অসিনা বেটসমেন অসিগী ওইনা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা টেষ্ট মেটচতা সেঞ্চুরি লৌবসি হন্দক্কি অসিগা থারগা ৮ শুবনি।

মহাক্না সেঞ্চুরি অসি য়ৌনবা হোৎনবদা ইন্দিয়াগী বোল্লর অমা ওইরিবা রবিন্দ্র জাদেজানা লঙলকখিবা বোল ৩ দা সিক্স ঙাক্তা লৌখিবা অসিগা লোয়ননা মহাক্না রন ১৪৩ লৌবা ঙমখিবনি।

টিম অসিগী শান্নরোই অমা ওইরিবা ৱিল্লমসন্না টেষ্ট মেটচ ৫ শান্নবদা ওভর বাউন্দরি অনী অমদি বাউন্দরি ১০ য়াওরগা সেঞ্চুরি য়ৌবা ঙমখি। ৱিল্লিমসন অমসুং টিম অসিগী স্কিপর ওইরিবা ৱিল্লিমসনগা পার্থনর ওইনা শান্নখিবা মতম অদুদা রন ২২১ লৌখি।

মরিশুবা ৱিকেট তুখিবা মতমদা টিম অসিনা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা হৌজিক ফাওবা লৌরিবা অসি রন ৩২৯ নি। হৌজিক ফাওবদা টিম অসিনা ৱিকেট ৪ তুবদা লৌখিবা রন অসিগী মখা তানা হয়েং মেক কুলম অমদি এন্দরসননা মখা তানা বেটিং তৌদুনা শান্নগনি। মসিদা ইন্দিয়ানা য়াম্না থুনা ন্যুজিলেন্দ টিম্বু ওল আউট ওইহনবা ঙম্লবদি ইন্দিয়ানা রন খরদি লৌবা ঙমগনি।

ন্যুজিলেন্দগী ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা টেষ্ট মেটচ অদুদা পিতর পুলটোনা রন ১৩ খক লৌরগা আউট ওইখি। রুথপোর্দনা রন ৬ খক লৌরগা আউট ওইখিবগা লোয়ননা ন্যুজিলেন্দগী আশা তৌরম্বা রোজ টাইলরনা শুপ্নগী রন ৩ খক লৌরগা আউট ওইখি। ৱিল্লিয়মসন অমসুং মেক কুমলনা অহানবা টেষ্ট মেটচ অসিদা ন্যুজিলেন্দগী ফেবরদা ওভর ২৭ তা রন ১২৫ লৌবা ঙমখি।

কিৱিস হায়রগা খঙনরিবা ন্যুজিলেন্দ টিম অসিনা ইন্দিয়া টিম্বু মমাঙদা শান্নখিবা ৱান টে ইন্টর্নেসনেল মেটচ সেরিজদা ৪–০ দা মায়থীবা পীখ্রবা মতুংদা ঙসি শান্নবা হৌখিবা অহানবা টেষ্ট মেটচ অসিদসু মায়থীবা পীনবগী অচৌবা চাংয়েং অমা ওইনা নুমিৎ তাবা ফাওবা শান্নখিবদা ৱিকেট ৪ তুবদা রন ৩২৯ লৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী বোল্লরশিংনা ৱিকেট লৌনবা কন্না হোৎনখি। ইন্দিয়াগী ইশান শর্ম্মনা ঙসি শান্নখিবা লৈবাক অনীগী টেষ্ট মেটচ অসিদা রন ৬২ পীরগা ৱিকেট ২ লৌখি। মসি মহাক্না টেষ্ট মেটচ ৫৪ শান্নবদা ৱিকেট ১৫০ লৌখ্রে। অমরোমদা জহির খাননা ৱিকেট ২ লৌবা ঙমখি।

## ইশান্তনা টেষ্ট মেটচতা ৱিকেট ১৫০ লৌখ্রে



*ওকলেন্দ, ফেব্রুৱারী ০৬ঃ*

ওকলেন্দদা ঙসিদগী হৌখিবা ইন্দিয়া অমদি ন্যুজিলেন্দগী অহানবা টেষ্ট মেটচতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অমা ওইরিবা য়ং বোল্লর ইশান্ট শর্ম্মনা মহাক্কী টেষ্টকি কেরিয়রদা ৱিকেট ১৫০ লৌবা ঙমখ্রে।

ইশান্ট শর্ম্মনা ঙসিদগী হৌখিবা ন্যুজিলেন্দ অমদি ইন্দিয়া অনীগী চথরিবা অহানবা টেষ্ট মেটচ সেরিজতা ৱিকেট অনী লৌবগা লোয়ননা মহাক্কী মপুন্সিদা টেষ্ট মেটচ ৫৪ ইন্দিয়া টিমদা য়াওদুনা শান্নবদা ঙসি ফাওবদা মহাক্না লৌখিবা ৱিকেট অসি ১৫০ শুবা ঙমখ্রে।

মহাক্না টেষ্ট মেটচ ৫৪ দা ৱিকেট ১৫০ লৌবা অসি মতম অমদা ইন্দিয়াগী ফাষ্ট বোল্লর ওইনা মীয়াম্না শকখঙনরবা জহির খানগী ফুট ষ্টেপ অদু য়ৌনবা হোৎনরকপা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা ফাষ্ট বোল্লর অমনি।

ঙসিদগী শান্নবা হৌখিবা ইন্দিয়া অমদি ন্যুজিলেন্দগী ওইবা টেষ্ট মেষ্ট অসিদা ইশান্ট শর্ম্মনা মহাক্কী অহানবা ওভরগী বোল ৬ লঙবগী মনুংদা ৱিকেট অমা লৌবা ঙমখি। ঙসি শান্নখিবা টেষ্ট মেটচ অসিসু ইন্দিয়ানা টেষ্ট ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং খন্দুনা শান্নবনি। মেটচ অসিগী অহানবা ওইনা ইন্দিয়াগী স্কিপর ওইরিবা মহেন্দা সিংহ ধোনিনা ফাষ্ট বোল্লর ওইনা মহাকপু অহানবা ওইনা থাজিনখি।

মসিদা মহাক্না শুপ্নগী রন ৬ খক পীরগা অহানবা ৱিকেট লৌবা ঙমখি। শান্নরোই অসিনা ওভর ২১ দা মেদন ওভর ৪ য়াওরগা রন ৬২ পীদুনা ৱিকেট অনী লৌখি।

টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই জহির খাননা ওভর ২৩ দা মেদল ওভর ২ য়াওরগা রন ৯৮ পীরবা মতুংদা ৱিকেট ২ লৌখি। শান্নরোই অনী অসিগী ওইনা য়েংনবদা ইশান্ট শর্ম্মনা নহা ওইরিবা শান্নরোই অমা ওইরগসু মেদল ওভর ৪ রন ৬২ ৱিকেট ২ লৌখিবা অসি য়াম্না থাগৎনিঙাইনি।

ইশান্ট শর্ম্মগী অহানবা ওইনা লঙখিবা ওভর অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী রুথফোর্দনা য়াম্না থাজদবা মওংদা ওফ ষ্টমদা রন লৌনবা হোৎনখি অদুবু ওফ ষ্টমদা লৈবা ইন্দিয়াগী অঞ্জিকা রহনেনা য়াম্না নীংথিনা কেচস লৌখিবগা লোয়ননা শান্নরোই অসি আউট ওইখি। ইশান্ট শর্ম্মনা ২শুবা ৱিকেট অদু ৫ শুবা ওভরদা টাইলরবু আউট ওইহন্দুনা লৌখিবনি।

## নদালগী অনাবা ফদুনা মখা তানা টেনিস শান্নরগনি



*মেদ্রিদ, ফেব্রুৱারী ০৬ঃ*

চহী অসিগী ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী ফাইনেলদা স্বিজকি ষ্টানিলাস ৱারিংকাগী মখুত্তা মেলবোন্দদা পাঙথোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা মায়থীবা নঙহৌরবা ৱার্ল্ডগী নম্বর ১ ওইরিবা রাফেল নদালনা মহাক্কী খ্বাঙদা নাবা অদুনা মরম ওইদুনা মেটচ অদু মায়থীখিবনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা হৌজিক মহাক হান্নগুম্না ফগৎলে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা নদালনা আমেরিকাগী টেনিস শান্নরোই অমা ওইরম্বা পিদ সম্প্রাসকা চপ মান্নবা গ্রান্সলাম টাইটল ১৪ লৌদুনা লৈরি। লৈবাক অসিগী ওইবা শান্নরোইশিংবু জিমদা থাদুনা ঙসিদগী হৌনা মখোয়গী মশাদা করম্বা মখলগী লায়না অমদি শোক পনবা য়াবশিং অদু নীংথিনা চেক তৌনবা জিমদা থাদুনা শান্নহনবা হৌখ্রে হায়রি। নদাল ফেব্রুৱারী ১০ দগী পাঙথোক্কদৌরিবা রিও দ জানেরোদা শরুক য়াগনি।

## ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানবু ফেদরেসন কপ্তা ৩–০ দা থোইখ্রে

*অষ্টানা (কাজাখ্ষ্টান), ফেব্রুৱারী ০৬ঃ*

ফেদরেসন কপ গ্রুপ টুগী মেটচতা ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানবু ৩–০ দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে। ইন্দিয়াগী প্রাথানা তোম্বারে অমদি অনকিটা রাহানেনা মায় পাকপগা লোয়ননা ঙরাং ফাওবদা টাই তাখি।

প্রাথানানা সিঙ্গলসকি ইভেন্টতা পাকিষ্টানগী উসমা সুহালিবু ৬–০, ৬–১ দা মায়থীবা পীখি অমসুং অনকিতানা ইরানগা সিঙ্কলস মেটচ শান্নবা ঙমদ্রবসু পাকিষ্টানগী সারা মন্সুরবু ৬–১, ৬–২ দা মায়থীবা পীবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই প্রাথানা অমসুং রিসিকা সুনকারানা শান্নখিবা দবলস অদু মায় পাকপগা লোয়ননা পাকিষ্টান টিম্বু ৩–০ দা ইন্দিয়ানা মায়থীবা পীবা ঙমখি। ফিট কপ অসিদা ইন্দিয়গী মহুৎ শিন্দুনা শান্নখিবা শান্নরোইশিংনা নীংথিনা শান্নখি হায়বা য়াই।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী দবলস টিম্না পাকিষ্টানগী দবলস টিম ওইরিবা মোনসুর অমদি সুহালিবু ৬–২, ৬–১ দা লায়না মায়থীবা পীবা ঙম্বগা লোয়ননা ইন্দিয়ানা টিফ কপ অসিদা পাকিষ্টানবু ৩–০ দা মায়থীবা পীখিবনি।

মমাঙদা শান্নখিবা মেটচতা ইন্দিয়না ইরানবুসু ৩–০ দা মায়থীবা পীবা ঙমখি। হৌজিক ইন্দিয়াদা পাকিষ্টান অমসুং ইরানবু ৩–০ দা মায়থীবা পীম্বগা লোয়ননা মখা তাবা মেটচ ন্যুজিলেন্দগা পুল বিগী অরোইবা মেটচ ওইনা শান্নগদৌরি। গ্রুপ টু অসিদা পুন্না টিম মরি লৈমিন্নখি।

পুল অমদা টিম ৪–৪ লৈমিন্নরি। ইন্দিয়া, পাকিষ্টান, ইরান অমদি ন্যুজিলেন্দনা পুল বিদা লৈমিন্নরি। অতোপ্পা পুলশিং অদুদসু লৈবাক ৪–৪ পুন্না লৈমিন্নে। গ্রুপ টি অসিগী ওইনা খায়দোক্লিবা পুলশিং অদুদি এ, বি, সি অমদি দিনি। পুলশিং অদুদগী মকোক ওইরবা টিমশিং অদুনা ফিট কপ অসিগী গ্রুপ ৱানা চঙগদৌবনি। ইন্দিয়ানা পুল বিদা লৈরবসু মখোয়গী ওপোনেন্ট ওইরিবা ইরান অমদি পাকিষ্টানবু লায়না মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

## অশ্বনি পোনাপা মেনদ্রোদা ক্বালিফাই ওইখ্রে



*বেঙ্গলুর, ফেব্রুৱারী ০৬ঃ*

চহী ৪ গী মতুংদা ইন্দিয়াগী বেদমিন্টনদা এজ সটলর অমা ওইরম্বা অশ্বনি পোনাপানা ঙসি পাঙথোকখিবা কানারা বেঙ্ক ওল ইন্দিয়া সেনিয়র রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকি মেনদ্রোদা মায় পাকপা ঙমখ্রে।

অশ্বনিনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী মেনদ্রোগী মেটচ অদুদা টামিল নাদুগী শান্নরোই এস সুরুথিবু ১৫–১২, ১৫–১৩ দা অনীশুবা রাউন্দদা মায়থীবা পীবগা লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসগী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি। শান্নরোই অসিনা টামিল নাদুগী বেদমিন্টন শান্নরোই অসিবু মায়থীবা পীখিবা মেটচ অদু প্রকাস পান্দু কোনে বেদমিন্টন একাদমিদা পাঙথোকখি।

ঙরাং শান্নখিবা অহানবা মেটচতা অশ্বনিনা অন্ধ্র প্রদেশকি শান্নরোই শ্রীচন্দনবু ১৫–৮, ১৫–৬ তা চাউনা মায়থীবা পীখিবনি। হৌজিক ফাওবদা ৱুমেন্স ফাইনেলদা সিঙ্কলসকি ফাইনেল ওইনা খনগৎলবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা রেসমা কার্টিক (এয়র ইন্দিয়া) না উত্তর প্রদেশকি রসা নকভিবু ১৫–৫, ১২–১৫ অমদি ১৫–৯ দা মায়থীবা পীখি।

ইকতা কালি (হরিয়ানা) না ধনিয়া নায়েল (রেলৱে) বু ১১–১৫, ১৫–৩, ১৫–৮ দা, সিসাদ্রি সনিয়াল (ৱেষ্ট বেঙ্গল) না রুচা নিকম (মহারাষ্ট্রা) বু ১৫–১০, ১৫–৫ দা, পুজা দি (অন্ধ্র প্রদেশ) না স্বটি শর্ম্ম (য়ু পি আর) বু ১৮–১৬, ১৫–১১ দা, অনিতা ওহালা (রেলৱে) না মিরা মহাদেবন (কে টি কে) বু ১৫–৯, ১৫–১১ দা, কনফি বিসালক্ষ্মী পি (টামিল নাদু) না নিচিথা জি এম (কে টি কে)বু ১৫–২, ১৭–১৫ দা অদুগা জুহি দেৱাংগনা (সি জি) না বৈষ্ণবী কে (অন্ধ্র প্রদেশ) বু ৯–১৫, ১৫–১১, ১৫–১২ দা, কনিস এম (অন্ধ্র প্রদেশ) না মিথুন এম (কে টি কে) বু ১৫–৮, ১৫–৫ দা মায়থীবা পীখি।

নুপাগী শান্নখিবা ক্বালিফায়িং মেটচতা মায় পাক্লবা শান্নরোইশিং অদুদি চিরংসেননা প্রেম সিংহ চৌহানবু ১৫–৫, ১৫–৮ দা, মোহিট কমটনা সচিন রৱটপু ১৫–৯, ১৫–১০ দা, এস এস সিরিল ভরমানা কবির কনজাকারবু ১৫–৯, ১৫–৭ তা অসিস শর্ম্মনা ভেনকট কৌরভ প্রদাবু ৮–১৫, ১৫–১১, ১৫–৯ দা, অসিট মহাজননা নিজেল দিসাবু ১৫–৪, ১৬–১৪ দা, আরিজিৎ বোসনা সুদরসন মেদিসকারবু ১৬–১৪, ১৫–৮ দা অদুগা কেটান টলহাননা এন ভি এস বিজেন্দ্রারবু ১৫–১৩, ১১–১৫, ১৫–১০ দা মায়থীবা পীখি।

## সি আর পি এফনা মেরি কোমবু পাল্লক্লি

*ন্যু দিল্লী, ফেব্রুৱারী ০৬ঃ*

মঙারক হন্না ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন ওইরকখ্রবা লোয়ননা ওলেম্পিক্তা ব্রোঞ্জ বেদল ফংলকখ্রবা মণিপুরগী বোক্সর এম সি মেরি কোমবু ইন্দিয়া অসিদা লৈরিবা পেরা মেলিটরিগী অচৌবা কাঙলূপ অমা ওইরিবা সেন্ত্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স (সি আর পি এফ) না মহাকপু এম্বেসেদর ওইনা থম্বা পাল্লক্লি।



ফোর্স অসি হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী ওইনা নুপী ওফিসার খ্বাইদগী য়াম্না লৈবা অমদি সেন্ত্রেলগী পার্সোনেল য়াম্না লৈবা অমা ওইবগা লোয়ননা ষ্টেট পুলিস ফোর্সতা লৈরিবা মেরি কোমদা পার্সোনেল ওইনা ফোর্স অসিদা লাকপীনবা হায়রকখিবা কাঙলূপ অমনি।

মহাক্না ঙসি ফাওবদা লৌরকখিবা হার্দ ৱার্ক অমদি দিসিপ্লিন অসিনা মরম ওইদুনা ইন্টর্নেল সেক্যুরিটিদা লৈবাক অসিগী ওইনা অচৌবা আশা অমা থম্বগা লোয়ননা এম সি মেরি কোমবু সি আর পি এফনা মখোয়গী এম্বেসেদর ওইনবা হায়রকখিবনি।

শান্নরোই অসিনা নুপীগী শান্নরোইশিংগী মনুংদা মেরি কেমগুম্না ইন্টর্নেসনেল লেভেলদা এচিভ তৌবা য়াওদ্রি হায়না ফোঙদোক্লন্দুনা লূপ অসিনা মহাকপু নীংথিনা মশক খঙবগা লোয়ননা পুন্সিদা অচৌবা ইভেন্ট কয়া শরুক য়াদুনা মায় পাক্লকপা কয়াবু শিংথরকখিবা লোয়ননা লৈবাক অসিদা মহাক খক্কীদি ওইবা মাইলষ্টোন অমা শেম্বা ঙম্বা শান্নরোই অমনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

সি আর পি এফকি সেনিয়র ওফিসার ওইরিবা ৱাঙাঙলোই অমনা হায়খিবা মহাক্কুম্বা শান্নরোই অমনা ফোর্স অসিদা এম্বেসেদর ওইনা লাক্তুনা পেরামিলিটরি য়ুটি অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা চত্তুনা সেল্ফ কনফিদেন্স অমদি মোরেল ওইবা থবক কয়া পাঙথোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়খি।

ওফিসিএল অসিনা মখা তারদুনা নুপী শান্নরোইশিংগী মনুংদা সাইনা নেহৱাল অমদি জোসনা চিনাপা য়াওনা মেরি কোমগুম্বা মীওই কয়া অসিনা ফোর্স অসিদা লৈরিবা খাকি য়ুনিফোর্ম শেৎপা নুপী লীশিং ৫ দা তোঙান তোঙানবা রেঙ্কি পীবগা লোয়ননা লুপা লাক্ষ ৩ চহীদা পীরি হায়নসু ফোঙদোকখি।


মিলেনিয়াম ইন্সটিটিউট অফ সাইন্সেস

Millennium Institute of Sciences

Presents for the first time

MILLENNIUM SCHOOL

From 2014-15 Academic Session opening

Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.

From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001

**Special features :** AC room for daycare

- Home away from home for day care
- Hygienic mid day meal for day care
- Audio Visual Classrooms
- Play-way method of teaching system
- Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
- Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.

Form available from 7th November 2013

@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.

& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.

SL/29/19/B